# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Oona's Parents


Charlie Chaplin


Oona O'Neill

- চার্লি মমিং লৈবা হেনগৎলক্লি। সান ফ্রান্সিসকোদা ঙাঙখিবা অদুগী থা ২গী মতুংদা **Madison Square** দা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবীয়ু হায়দুনা অমুক কৌরক্লে। রেল্লি অদু কাউন্সিল ওফ দি কোংগ্রেস ওফ ইন্দষ্ট্রিয়েল ওর্গেনাইজেসন্না শীনবনি। মীওই লিশীং ৬০ রোম তিনখি। মমাঙগী নুমিদাং (জুলাই ২১) দু তূমদবা মখে মানা ঙাঙগদবদু শেমদুনা লৈখি। মিনট ১৪ ঙাঙখি। অদুদসু মাদি সেকেন্দ ফ্রন্ট অমা থুনা হাংগদবনি অদুম হায়খি।
- মাগী ভাষন্দু অসুম্না পীখি, ''ঐখোয়  য়েন্নিংথা ফাওবদা মায় পাক্তবা য়াদে। ফেক্টরিদা লৈবিরিবশিং, লৌবুক্তা থবক শূবীরিবশিং, য়ুনিফোর্ম শেৎলিবশিং অমদি মালেমগী সিটিজন পূম্নমক, ঐখোয় কন্না হোৎনসি, হায়রিবা পান্দম অসি ফংনবা কন্না হোৎনসি। ৱাশিংতনগী কর্ম্মচারি পূম্বা, লন্দনগী কর্ম্মচারি পূম্বা ঐখোয়গী পান্দম ওইমিন্নসি - ঐখোয় য়েন্নিংথা ফাওবদা লান মায় পাক্তবা য়াদে।''
- মথঙদা চার্লি ন্যু য়োর্কতা ওক্টোবর ১৫দা থুংলরে। নোংঙানবগা রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙগদৌরিবনি। মায় পাক্না মহাক্না ৱা ঙাঙখি। সেকেন্দ ফ্রন্ট হাংবগী ৱা তাবদা মাগী মরুপ মপাং খরদি মাবু হৈনদবা উখি। অদুবু মাদি ৱা ঙাঙবগী চেবাউ কয়া লাকপদু লৌখি। তত্তনা ঙাঙখি, **"Salute to our Russian Ally"** হায়না মিংথোনবা মিটিং অদুদা, নবেম্বর ২৫দা **Orchestra Hall** দা, চিকাগোদা। মথঙদা ন্যু য়োর্কতা, **'Arts for Russia'** মিঙ্গৌবা মীফমদা, মদুনা **Hotel Pennsylvania** দা দিসেম্বর ৩দা।
- অসুম্না মথঙ মথঙ ৱা ঙাঙলকপনা ১৯৪৩গী ফেব্রুৱারী থাদদি মাবু **Soviet Consul** না কৌরক্লে। মাগী স্পিচ অদু রেকোর্দ তৌনবা। রসিয়া রেদিওদা শন্দোক্নবা। মথঙদনা মার্চ ৭, নোংমাইজিংদা লোস এঞ্জেলিসতা রেদিওদা ৱা ঙাঙখি। মাগী ভাষন অদু বৃটেন ফাওবা রিলে তৌদুনা শন্দোকখি।
- মদুদা মানা মাগী পুন্সিগী অঙাং ওইরিঙৈগী লন্দনগী পুন্সি নীংশিংদুনা ঙাঙখি। মাগী ভাষনদু অসুম্না লোইশিনখি, **"I remember the Lambeth Streets, the New Cut and the Lambeth walk, Vauxhall Road. They were hard streets, and one counldn't say they were paved with gold. Nevertheless, the people who lived there are made of pretty good metal."**
- অসুম্না মমিং চৎখৎলক্লিঙৈসিদা পৈশা পীদুনা থাদোকখ্রবী **Joan Barry** হায়বীদু অমুক থুংলরে। ১৯৪২গী দিসেম্বর ২৩দা মানা কৈরাক অমগী মতেংনা চার্লিগী কোন্থোং লোল্লিবা য়ূম মনুংদা চঙশিল্লক্লে। অদুগা মতোমতা পিষ্টোলনা কাপচদুনা শিজরনি হায়ররে। তাঞ্জাদুদা চার্লিগী মচা নুপা অনী অদুসু হেক থুংঙরে।
- চার্লি ইকায়বা নংলে। মানা মচা অনীদু মাগী মাগী কাদা চঙহনখ্রে। অদুগা **Joan Barry** বু থেমদুনা থল্লে। নোং ঙাল্লগা থাদোকখ্রে। অদুগদি ১৯৪৩গী মে থাদা অমুক থা ৬কী মশা ৱাই শংদ্রে হায়দুনা অমুক চার্লিদা নৈররে। হন্দক্তি চার্লিনা পুলিসতা তাক্লে। ফাদুনা পুখ্রে।
- চার্লিগী হেক হেক থোক্কনবা পুন্সিগী লাইবক ফবা মতাংদু লাক্লে। ৱাথোক লৈরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা মাগী পুন্সিগী নুপী ওইরগদৌরিবী **Oona O'Neill** হায়বীদু নোংমা থেংনরুরে। লৈশাবী **Oona** অসি অমেরিকাগী মমিং লৈবা অইবা **Eugene O'Neill** গী মচানুপীনি। মপাগী অনীশুবী নুপী **Agnes Boulton** কৌবীদুগী মচানি। অদুবু **Oona** না পিক্লিঙৈদা মমা-মপাদি কায়নদুনা মাসু মমাগা তোঙান্না লৈরক্লবনি।
- **Oona** মশক য়াম্না ফজে, রাশি লৈ, মরৌশিং লৈ, অদুবু ইকায় থীগল্লি। কুমজা ১৯৪২গী য়েন্নীংথাদা মহাক মশাগী চহী ১৭তা ঙায়রিঙৈদা **Debutante Number one of the year** মনা ফংলবিনি। মশাগী পরিক্ষা **Vassar entrance exam.** দু পাস তৌবগা ফিল্মদা খোঙদারকপনি। অদুনা মমানা কোন্না ময়ূম পান্দুনা লৈরিবা, মপা পোক্তবা অদুগী মনাক্তা হোলিৱুদতা লাকপনি।
- হোলিৱুদ য়ৌরকপগা স্ক্রিন টেষ্ট তৌরে। **The girl from Leningrad** হায়বা ফিল্মদুগী রোল অমগীদমক খল্লে। ফিল্ম অদু হৌজিক ফাওবা লৈরি হিংদুনা। মদুদা **Oona** গী ফজবা, ইকায়থীবা মতৌ, মাগী হৈ-শিংবা কয়াদু ফিল্মদু  য়েংলগা ঙসিফাও তশেং তশেং উনরি।
- **Oona** গী **agent Minna Wallace** হায়বীদুনা খঙঙি, চার্লিনা মাগী ফিল্ম, **'Shadow and sbstance** হায়বদুগীদমক কনাগুম্বী অমা কূপ্বীনবা থিরি হায়বা। **Minna** না শীন্দুনা নোংমা চাক্লেন অমদা উনহল্লে। মদুদসু চার্লিনা **Oona** বু অঙাং ওইমল্লি, মাগী ফিল্মগী রোল **Brigid** শাগদবীদুদি খজিক মপূং ফারবী লৈশাবীনি অদুনা চানরোই খনখি।
- অদুবু তাঞ্জা অদুদা **Oona** গী এজেন্ট **Minna** না চার্লিদা পাউ হায়ররে, মদুদি মাগী ক্লাইন্ট **Oona** অসি **Fox** ফিল্ম কম্পেনিনা পামই হায়রক্লে। অদুনা অরেপ্পা ৱা হায়রো হায়না। চার্লিনা তঙাইফদনা **Oona** বু কন্টেক্ট পীরে।

-মথং-মথং

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

## চীনবাল কংবা, কায়বগী অৱাবা কোক্লবা পাম্লে



চাবা-থকপদবু ওইরো, ৱা ঙাঙবদবু ওইরো অয়াম্বা মতমদা শীজিন্নদুনতা লৈবা কয়াৎশিংগী মনুংদা চীনবাল অসিসু অমনি। উনশা খ্বাইদগী পাবা অমদি সেন্সিটিভ ওইবা মফমসু চীনবালনি।

ঐখোয়গী উনশা অসি ইপিদর্মিস, দর্মিস অমদি সবক্যুটেনিয়স লায়র হায়দুনা কুয়োম অহুম শুই। মহীক-মতাং অমদি অঙৈং-অশাদগী ঙাকথোক্লবা ইপিদর্মিসকী মথক্তা কূপ্লিবা কুয়োম অসি চীনবাল মপাদদি কা-হেন্না পায়।

মায়গী অতৈ মফমশিংদগী শরুক মরিরোম উনশা পারিবা চীনবালদা হুমাং থোকফম স্বেট গ্লান্দ অমদি শম হৌফম হ্যের ফোলিকলসু অমত্তা লৈতে। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরদুনা চীনবালগী উনশা অসি ইকং কংগল্লি অমসুং চেকখায়গল্লি।


চীনবাল ইকং-কংবা, কায়গনবগী অৱাবা কোকহন্নবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং খরা খঙমিন্নসি :

- নুংশিৎ-নুংশাদগী ঙাকথোক্লবনি হায়দুনা মতম চূপ্পা ইমুংদা লেঙদনা লৈবদি য়াদবনিনা অঙৈংবা নুংশিৎ মরক্তা চৎথোক্কদবা লৈরবদি মায়গী অকোয়বদা স্কার্ফ অমা য়েৎশিনবা য়াই। নুংশা মরক্তা চৎকদবা ওইরগনা তুপি অফনবা অমা উপকদবনি।
- মতম লৈবা খিবিক্তা লিপ বাল্ম অমা চীনবালদা তৈশিনগদবনি। সন প্রোটেক্সন ফেক্টর (এস পি এফ) য়াওবা লিপ বাল্মনা হেন্না ফৈ।
- চীনবাল চোৎহন্নবনি হায়দুনা কৈদৌঙৈদা লৈনা চীনবালদা খক লেক্লোইদবনি। য়ানা চীনবালদা চীকপসু তৌরোইদবনি।




- ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা টুথপেষ্ট, লিপ বাল্ম, শেম্পু, মায়তৈ-হীদাক অমদি অতৈ কোস্মেটিকশিংদা সোদিয়ম লোরিল সলফেট, ফিনাইল সেলিসাইলেট নৎত্রগা প্রোপাইল গেলেটনচিংবা মচল য়াওরবদি চীনবালদা অকায়বা থোকহল্লি। হায়রিবা মচলশিং অসি য়াওদবা পোৎলম ঙাক্তা শীজিন্নগদবনি।
- মরক-মরক্তা অমোনবা ফি নৎত্রগা টুথব্রশনা চীনবালদা তপ্না-তপ্না তক্নুনা অশিবা, অকংবা উনশাগী সেলশিং লৌথোক্কদবনি।
- নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থক্নুনা হকচাং অমদি চীনবালগী মোইচর মাঙহন্দনবা হোৎন-গদবনি। দিহাইদ্রেশন তৌরবা মতুংদা ঈশিং খৌরাংবা ফাওরকপনি। মরম অদুনা খৌরাংবা-খৌরাংদবা থিদনা ঈশিং মরাং কায়না থক্পা মথৌ তই।
- ভিটামিন বি ৱাৎপনসু চীনবাল কায়হনবা মরম্না ভিটামিন মখল অসি মরাং কায়না য়াওবা মনা-মশীং চাং নাইনা চাগদবনি।






Title : KANGLA PAT


Sanarika W.
Class : V, Sec: A, Roll: 40
Kids foundation



Title : CARTOON DRAGON


Kh. Urvashi
Class : I, Sec: Diamond, Roll: 03
Heritage Convent




Title : BOY

Th. Gyanchandra
Class : V, Sec: , Roll: 12
Manipur Public School



Title : BARBIE SNOW WHITE

Ngangom Krishma Devi
Class : V, Sec: , Roll: 15



Title : SCENERY

Tania Asangbam
Class : V, Sec: , Roll: 11
Manipur Public School





Title : VEGETABLE SELLER

Max Th
Class : V, Sec: Roll: 16
Manipur Public School




Title : SCENERY


Maibam Bhakta
Class : IV, Sec: , Roll:
Areca School



Title : A HOUSE


Zarina
Class : III, Sec: , Roll: 1
Khetri School- Gurupat




Title :


Nongmaithem Korounganba
Class : I, Sec: Ruby, Roll: 50
Heritage Convent



Title : SCENERY


Nibedita Kh.
Class :II , Sec: A, Roll: 55
Little Flower School



## নহাক করি খঙলে- অঙকপনা থল্লবা মীওইবগী হকচাং



- মঙদা থোকপা (উবা থৌদোক খুদিংমক তাইবংদা হেক্তা চপ মান্নবা থোকপা নৎতে। অদুনবু মঙ অমদি তাইবং হায়দুনা তোঙান তোঙান্না খায়দোক্লিবনি। অদুম ওইনমক কনাগুম্বা মীওই খরদি  মখোয়গী পুন্সিদা তশেং তশেংনা থোক্লগদবা থৌদোক খরা মঙদা চপ মান্নবা উবা য়াওই। মসি কনাগুম্বা খরনদি তান চান্নরুবনি হায়না লৌই। অতোপ্পা মীওই খরনদি পূম্নমক অসি তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোকশিং মাঙজৌননা খঙবা ঙম্বনি হায়নৈ। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মীওই খরগী মফমদা থৌদোক অসি অদুম্মক থোকই।

খরদং পল্লবদা অব্রহম লিঙ্কন হাৎখিবগী থৌদোক অদু মহাক মশামক্না মমঙদা মাঙজৌননা উবা ফংখি। মীয়াম্না ৯/১১ হায়রগা খঙনরিবা কুমজা ২০০১ গী সেপ্টেম্বর ১১ দা টেরোরিষ্টশিংনা হায়জেক তৌবা প্লেন শীজিন্নরগা ন্যু য়োককী ৱার্ল্ড ট্রেদ সেন্টরদা এটেক চত্থরকখিবদা শিখিবা মীওই খরনা থৌদোক অদু মাঙজৌননা মমঙদা মঙখি। মার্ক ত্বেননা ময়াম্বা শিখিবগী থৌদোক মমঙদা হান্না উখি। টাইটানিক জহাজ কায়খিবগী মতাংদা মীওই খরনা মমঙদা মাঙজৌননা মঙখি। মতৌ অসুম্না মঙদা উখিবশিং অশেংবা ওইনা থোকপা য়াওই।

- মীওই খরনা নোংমদা তোঙোন তোঙানবা মঙ তরেৎ ফাওবা মঙই। কনাগুম্বনা অহিং অমদা মঙ মঙবগী মতম অসি পুং অমদগীনা অনী ফাওবনি।
- মীপুম খুদিংমক কলরদা মঙ মঙদে। চাওরাক্লা মীওই চাদা ১২ রোম ব্লেক এন্দ হ্বাইটতা মঙ মঙই।
- ঐখোয়না তুমথখ্রবা মতুংদা রেপিড আয় মুভমেন্ট (আর ঈ এম) কী থাক য়ৌখ্রবদি হকচাং পূম্বা লেঙ-ওৎপা ঙমদে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক কন্ট্রোল তৌরিবা ব্রেনগী শরুক অদু দিএক্টিভেট তৌখিবননি। মরম অদুনা তুমথখ্রবা মতুংদা মীওইবনা ফমুংদগী পাক হেক ওনথরক্তবনি।
- ঐখোয়গী লেংজুম অসি তোঙান তোঙানবা মশল ১৫ গী মতেংনা হকচাংগা শম্নবনি। মসি শরুনা শম্নহনবা নৎতে।
- ফীভম ফরিবা লিভর অনা নোংমদা ঈ লিটর ৭২০ চুমথোকপগী মথৌ তৌই।
- নাকোং মখুলদা লৈরিবা নাকোং নপথী অসি থাউ অমসুং হুমাংনা পুল্লগা শেন্নকপনি।
- নীংথিনা য়োকপী থাকপীবা অঙাং অমগা য়েংনবা মতমদা থৌশাবীদ্রবা হন্না য়েংবীদ্রবা অঙাংশিংগী ব্রেনদি খরা পীকই।
- ইমুং মনুং অমদি অকোয়বগী ফীভম খেন্নবগী মতুং ইন্না অঙাং অমগী মহৈ হৈগনবা অমদি তম্বদা খঙগনবগী চাং চাদা ২৫ হেনগৎলকই, নৎত্রগনা হনথরকই।
- মীওই অমগী মপুন্সিদা কিদনিনা মথৌ  তৌদুনা চুমথোক্লিবসি ঈ গেলোন লাখ ১০ রোমনি।
- মশক মান্নবা ফাইবোক মচীন মনাওগী দি এন এ চপ মান্নজরবসু খৎশা ময়ি (ফিঙ্গর প্রিন্ট) দি মান্নদে।
- অঙাং অমনা মমাগী সিয়োমনুংদা লৈরিঙৈদা অকোয়বগী মখোল (খোঞ্জেল) অদুম্মক তাবা হৌরে।